# চীফ মিনিষ্টরগা উনবদা ফোঙদোরকপা ৱাফম থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্কনি থাজে : জে এ সী

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):
শগোলমাংদা শানবা কুমজা ২০১১ দা উরেপ উয়ুং তম্বীরম্বা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্টপু কৈরাও এ সীগী মফম অমদা নৌনা অমুক হৌখিবা এপ্রিল ২৬ তা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা উরেপ উয়ুং তমখিবগী থৌওং অসিবু য়ানিংদবা উৎতুনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকপা নুমীৎ ৫০ নি চনশিল্লক্লে। থৌওং অসিদা মীওই ৩০ লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগা মুক্ত বদা অশোক অপন নংখি।

জে এ সী এগেনষ্ট নন নেচরেল সেফ্টিং ওফ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, ইম্ফাল ইষ্ট শগোলমাংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপা ময়াই চল্লকপা মতম হৌখিবা এপ্রিল ২৯ দা জে এ সীগী মীহুৎশিংদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএট ওফিসতা উনদুনা ৱারী শানখি। মদুদা পোজিটিব ওইবা ৱাখল্লোন অমা মীয়ামদা ফোঙদোকখি। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবদগী মীয়াম্না পুং ৩৬ কী জেনরেল ষ্ট্রাইক য়াওনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লিঙৈ চৈরক্তা লমদম অসোমগী ইমা ইবেল কয়াগী অৱা অনাগী খোল্লাও অদুবু চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী অৱাবা হকথেংননা উবীদুনা অমদি খঙবীদুনা থা অসিগী ২২ গী নুমীদাং পুং ৭.৩০ তাবদা জে এ সীবু কৌবীরক্তুনা পুংখায় অমরোম ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা লমদম অসোমগী মীয়াম্না ৱারিবা অমদি অশোক অপন নংলিবা অদু লোইনা খঙলে, য়াম্না নুংঙাইতে। অদুবু হোস্পিটাল অসি শানবা হোৎনবদা থিন্থহল্লিবশিং অসিদা চেন্নরিবশিং লেম্না থানিংদে হায়না ফোঙদোরকখি।

হিরম অসিদা মরাল লৈরম্বা য়াওরল্লবদি চৈরাক ফংজবদা জে এ সীনসু য়ারবরা নৎত্রা হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি। ৱাফম অসিদি জে এ সীনদি মমাঙথক্তগী মরাল লৈবা য়াওরল্লবদি চৈরাক ফংজসনু হায়না মিদিয়াগী খুত্থাংদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রে। অথুবা মতমদা জে এ সীগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকমিন্নরসি হায়না মখা তানা ফোঙদোরকখি হায়রি।

মতম শাংনা চঙশিল্লবা অমদি মীওই কয়া অৱা অনা নংলবা মীয়ামগী খোঙজং অসি চীফ মিনিষ্টরনা খঙবীদুনা মীয়ামগী ৱাকৎ অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা থম্বীরক্লিবা ৱাফমশিং অসিদা ঈকাইখুম্নবা অমদি থাজবা থম্মিন্নদুনা জে এ সীনা হান্না লাউথোকখিবা খোঙজংশিং অদুদগী অতেনবা মতমগী ওইনা খরদং কোমথোক্লগা চীফ মিনিষ্টরগা অমুক ফম্মিন্নগদৌরিবা অসিদা মীয়ামগী অপাম্বগী ওন্ন তৈনবদা লৈঙাক্না ফীরেপ লৌরক্লবদি জে এ সীনা মমাঙদা লাউথোকখিবা খোঙজংশিং অমদি হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে। মরম চাবা দিমান্দনি হায়বসি লমদম অসিগী সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোয় লূপশিং, ইমা লূপশিং অমদি রাইট বোদিশিংনসু হায়দুনা লৈরবনি। মখা তাবা খোঙজংদা মীওই পুম্নমক কোওপরেসনদা লাক্লগা উনবীয়ু হায়না জে এ সীনা ফোঙদোরক্লি।

# মহৈরোয়শিংগী রাইট কনবা নুমীৎ পাঙথোক্কনি : এমসু

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):
মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং পীবীনবা অমদি য়েংশিনবীনবা মতম অদুগী লৈঙাক্তা কুমজা ১৯৭৩ হায়জরুবদা পীবীরক্তবদগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিনখিবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংদা মোইরাং কোলেজদা তম্বা নিংথৌখোংদগী মহৈরোয় হাওবিজম ইবোহলবু পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা কুমজা ১৯৭৩ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা হাৎখিবা থৌদোকপু নীংশিংদুনা ষ্টুদেন্টস ইমান্সিপেসন দে (২৯ শুবা মহৈরোইশিংগী হক কনবা নুমীৎ) হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

এমসু, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট সাইনিং খাঙেম্বম থোকপা চেরোল অমনা হায়, খুন্নাই অমগী য়াংলেন শরূ অমা ওইনা লৈরিবা এদ্যুকেসনগী মপুং ফাবা নোলেজ ফংহল্লিবা মহৈ-লোইশঙশিংদা মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিন তম্বদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলম ওইরিবা অৱাৎ অপাশিং ফংহনবীদ্রবদা অমদি য়েংশিনবীদ্রবদা মহৈরোয়শিংনা ফংফম থোকপা অৱাৎ অপাশিং তাল্লকপা, য়েংশিনবীনবা ৱাকৎ ঈহৌ হৌরকপা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী রাইটসনি।

মোইরাং কোলেজগী নিংথৌখোংদা লৈবা মহৈরোয় হাওবিজমবু ইবোহলবু কুমজা ১৯৭৯ গী মে ২৬তা খোঙজং চঙশিনখি অমসুং চরা হেনবগী খোঙজংদা নুমীদাংগী থৌদাং পুবা মহৈরোয় মঙাবু পুলিসনা ফাজিনখি। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৭৯ গী মে ২৮দা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মহৈরোয় থাদোকপীয়ু অমদি মখোয়বু থাদোক্ত্রবদি ঐখোয়বুসু ফাজিনবীয়ু হায়বা মহৈরোয়গী অকনবা অচৌবা খোল্লাওগা লোয়নবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা খোঙচৎ চৎতুনা মহৈরোয় কয়া লোক অপতা চঙশিনখি। অদুবু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইবোহলনা মহৈরোয়শিংবু লোক অপ মনুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লগা নোংমৈ কাপশিনখি। থৌদোক অদুদা নোংমৈনা পাল্লবা মহৈরোয়শিংবু লায়কন্নবা লাকখিবা এম ও, ডা. ব্রজমোহোন ফাওবা নোংমৈ উৎতুনা চঙহনখিদে হায়রি। নোংমৈনা পাল্লবা মহৈরোয়শিং অদুদগী উরিকখিম্বম খেলেন অমসুং কুমাম শরত অনী কুমজা ১৯৭৯ গী মে ১৮দা শিখি। অসিগুম্বা মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক মাঙজিল থানা থৱায় কৎখিবা মহৈরোয় হাওবিজম ইবোহল, উরিকখিম্বম খেলেন অমদি কুমাম শরতনা থৌনা লিংজেল লৈনা হিংগদবনি ৱাখল্লোন শন্দোক্লমখি অমদি মহৈরোয় কয়াবু ওৎ নৈবদা অশোক-অপন কয়া নংখি।

মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থা অসিগী ২৮ দা ২৯শুবা মহৈরোয়শিংগী হক কনবা নুমীৎ হায়দুনা এমসু, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা মপুং ওইনা শীন্দুনা কুমজা ১৯৯০ গী মে ২৮ দগী হৌদুনা নীংশিং থৌরম মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লৈখিদ্রবা মহৈরোয়শিংগী নীংশিং খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লবা মতুং মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা নুমীৎ মঙানিগী ওইবা রেসিদেন্সিএল ষ্টুদেন্টস লিদরশিপ কেম্প অমসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি পাঙথোকপদা তঙাইফদনা চঙগদবা শেল অমদি পোৎগী মতেং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদগী অমদি লৈঙাক্কী অমসুং লন্নাই ইমপ্লোয়ীশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মতেং পাংবীদুনা মপুং ফাহন্নবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

# নুমিৎ নীনিগী নেসনল সেমিনার পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):
মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজদা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ তা এসেসমেন্ট হায়র এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুসন বাই এন এ এ সী : প্রোব্লেমস এন্দ প্রোস্পেক্স হায়বা থীমদা নুমীৎ নীনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

সেমিনার অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, প্রোফেসার অরুন কুমার, দিন ওফ হ্যুমেন এন্দ এনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স, দিরেক্টর সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদি, প্রোফেসার এস দোরেন্দ্রজিৎ, দিরেক্টর আই ক্যু এ সী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি। ডা. এ বিমোল কোইজম, এসোসিএট প্রোফেসার, দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজি, জে এন য়ু, ন্যু দিল্লি, লৌরেম্বম ইবোয়াইমা, জোইন্ট দিরেক্টর, হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসননচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইগনি অমসুং এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার অধয় প্রসাদ পান্দেনা থৌরম অদু প্রিসাইদ তৌগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োংগী তেংবাঙ লেপ্তুনা পীনরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : নোংমাই চীংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনীংকোলগী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং শাগৎলিবা অসিগীদমক্তা শেলগী তেংবাঙ লেপ্তুনা পীনরক্লি।

লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলূপকী প্রসিদেন্ট ওইনাম মেজোর খুমন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী পাঙম্বম ভোরোটনা লুপা লিশীং ১, উচেকোন দগী পাঙম্বম সনাতোম্বনা লুপা লিশীং ১, নান্দৈবম লৈকায়দগী লাইখুরাম সুরচন্দ্রনা লুপা লিশীং ৫, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ইবোচৌ ৱারেপ্পম্না লুপা ১৫০০, কোংবা নান্দৈবম লৈকায়দগী আর কে রঞ্জন্না লুপা লিশীং ১, লৈকায় অসিমক্তদগী লাইখুরাম চন্দ্রসেন্না লুপা ১১০০, ককচীংতাবম ইন্দুনা লুপা লিশীং ১, উচেকোন লাই মোরিবদগী সোরাইসম সিংহজিৎনা লুবা লিশীং ১, হুইদ্রোম্না জয়না লুপা লিশীং ১, কোংবা মখা নান্দৈবম লৈকায়দগী খুমল্লম্বম ওংবী ইবেনীনা লৈখিদ্রবা মচানুপা খুমল্লম্বম অশোক্কী মীংদা লুপা লিশীং ১, খুমল্লম্বম ওংবী ইবেনী থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবীনা লৈখিদ্রবা মচানুপা লাইশ্রম হেরোবগী মীংদা লুপা লিশীং ১, উরিপোক লাইনিংথৌ মোরিবদগী কোন্সম অচৌবীনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপাবুং কোন্সম মনি অমদি লৈখিদ্রবী মমা কোন্সম একাগী মীংদা লুপা লিশী ১৫০০, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা তখেল্লম্বম কবোকলৈনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা তখেল্লম্বম মনিশঙ মঙাংগী মীংদা লুপা লিশীং ১, কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা লম্বামযূম তোমচানা লুপা লিশীং ১, নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম গোপেনা লুপা ১১০০, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়দা লৈবা মুতুম বিরমঙ্গলনা লুপা লিশীং ১, সোইবম লৈকায়দা লৈবা ডা. সোইবম ইবোমচানা লুপা লিশীং ১১, কোংবা মখা চোঙাবীদা লৈবা থোকচোম ইঙোবীনা লুপা লিশীং ২, মফম অসিমক্তদা লৈবা থোকচোম দেবেশ্বরনা লুপা ১১০০, উচেকোন লাইকোন্দা লৈবা থিঙুজম হেরামোটনা লুপা লিশীং ১, উচেকোন য়ুবরাজ পল্লি থোংখোংদা লৈবা নোংথোম্বম য়াইমনা লুপা লিশীং ১, উচেকোন লাইকোন্দা লৈবা থিঙুজম প্রিয়োকুমারনা লুপা ১১০০, বামোন কম্পুদা লৈবা ইরেংবম জাদুমনিনা লুপা ১০০০, মফম অসিমক্তদা লৈবা শগোলশেম সুবোলনা লুপা লিশীং ১, শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা লৈশাংথেম লোকেশ্বরনা লুপা লিশীং ১, লুৱাংশঙবম মমাঙদা লৈবা নোংথোম্বম রঘুমনিনা লুপা লিশীং ২, খুরাই অহোঙ্গৈদা লৈবা থাংজম সিটলজিৎনা লুপা লিশীং ২, কোংবা উচেকোন্দা লৈবা আর কে মালেমস্নানা লুপা লিশীং ৩, উচেকোন তাকখোক মপালদা লৈবা মোইরাংথেম তোম্বীনা লুপা ১১৫০, উচেকোন খুনৌদা লৈবা থোকচোম সুন্দরাজনা লুপা লিশীং ১, উচেকোন খুনৌদা লৈবা মোইরাংথেম জিবন্না লুপা লিশীং ১, বামোন কম্পু অৱাং লৈকায়দা লৈবা থোকচোম জিতেন্না লুপা ১০১০, নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা শগোলশেম রাজেন্দ্রোনা লৈখিদ্রবা অপোকপা অমুয়াইমগী মীংদা লুপা ১১০০, নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক্তা লৈবা ৱাহেংবম জিতেন্না লুপা লিশীং ১, নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবা খুলেম ওংবী বিজয়ানীনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা খুলেম কৃষ্ণমোহোনগী মীংদা লুপা লিশীং ১ তেংবাঙবীরকখি হায়রি।

# কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (এম এ এল এ) না শিন্দুনা এসোসিএসন অসিগী ৩১শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. টি ঐচ পুর্নিমা এম য়ুগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টনা চীফ গেষ্ট অমসুং কাংজম চাউবা, প্রসিদেন্ট মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (এম এ এল এ) না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবী ডা. টি ঐচ পুর্নিমানা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় খুদিংমক লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈত্রগদি খুন্নাই অসিদা ঐখোয়গী মফম লৈরোই। অদুনা লাইরিক পাফম অমা থম্বা হায়বসি অদুক্কী মতিক তঙাইফদবা অমনি। মালেম শিনবা থুংনা মশক খঙলিবা ষ্টেট অসিদা লাইরিক পাফম অমফালবা লৈত্রগদি নুংঙাইতবা অমা ওইগনি। মসিগীদমক রিছোর্স মোবিলাইজেসন অমা চঙই। লৈরিবা লাইব্রেরি অসিনা খুন্নাই অসিগী মহৈরোয়, নহারোল, মীপূম খুদিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা ওইহনবা মথৌ তাই। পব্লিক লাইব্রেরি অমা হায়বসি মীয়াম পুন্নমক্কী পুনফমনি। মফম অসিবু অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগা লাইরিক পানীংবগী হৈনবী লৈহন্দুনা অহোংবা পুরক্নবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাউবনা হায়খি, লাইব্রেরি হায়বসি মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বগী প্লেটফোর্ম অমনি। অদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাইব্রেরিশিং লীংখৎপা মথৌ তাই হায়না লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অমমমদা লাইব্রেরি হাংলে। অদুবু লৈঙাক্লা মতেং পাংবিদবদগী লাইব্রেরিশিং অসি মপূং ফানা চলাইবা ঙমদবা য়াওরি। চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা লাইব্রেরিগী ঈহৌ অসি য়াম্না কল্লি। ষ্টেট অসিগী লাইব্রেরিগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী হীরমদা জুন ৯দা প্রোটেষ্ট তৌজগনি। লমদম অসিগী লাইব্রেরিবু পামজবা ইচিন ইনাওশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ইম্ফালগী লাইব্রেরিয়ন ডা. টি ঐচ খোমদোন্না মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (এম এ এল এ) না মমাঙদা তৌখিবা হৌজিক তৌরিবা অমসুং তুংদা তৌগদবশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

# শমুরৌদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স য়ুনিয়ন শমুরৌনা শিন্দুনা শমুরৌদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এস জয়গী য়ূমদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ লেবরস হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা চীফ গেষ্ট, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এস জয়না প্রসিদেন্ট, ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর থৌদাম ইনাওতোন, গিরগো ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোজেক্ট দিরেক্ট কে মঙ্গি, এম বি ও সী দল্লিয়ু দল্লিয়ু বিগী রেজিষ্টরিং ওফিসর কে টিকেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কন্সত্রক্সন ৱার্করস য়ুনিয়নগী ভিরগো ইন্টরপ্রাইজেসকা খূৎশম্নরগা থা ৪ চূপ্না চথুরকখিবা টেল্লরিং ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী সার্টিফিকেট অমদি টেল্লরিং মেছিনশিং য়েন্থোকখি।

# সী এমনা মীৎয়েং চঙবীদুনা থবক ওইনা পায়খৎপীয়ু : কিল

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): তংদু লৈতাদ্রবা লমদম অসিগী মপী মপা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবীরক্কনি হায়না থাজবা থল্লিবা অসি মাঙহনবীগনু হায়না কংলৈ ইমা লূপ (কিল) না ফোঙদোরক্লি।

কিলগী সেক্রেটরি এস মেমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা চথুরিবা পিছ একোর্দকী মতাংদা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা মিদিয়াদা ফোঙখিবা ৱাফম অদু মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তনি। আর এন রবি, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদসু মণিপুরগী মকোক থোংবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং উনবা মতমদা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা খঙহনবা লৈখ্রবনি। নেসনল মিদিয়াদা আর এন রবিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা মণিপুরগী মীয়াম্বু খোয়রাং খোয়শাওনবা অমদি লাংতক্লবা পোকহল্লে। আর এন রবিনা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম কায়নবা শিল্লক্লবদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরক্কনি অমসুং খুন্নাই অসিদা নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি মীয়ামগীদমক লৈরিব্রা হায়বা অসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী নুংদা করি য়াওরিবগে হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না হংনখ্রবা ৱাহংনি। অদুবু মণিপুর কায়বা য়াবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়খি। মরকসিদা আর এন রবিগী ৱাফম অমনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা চরাংনবা পোকহল্লি। অমরোমদনা আই এল পিগী খোঙজং তৌনা তৌনা নোংম-নোংমগী মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লাঙ্গৌই চনশিল্লক্লি।

হৌজিক্তি য়ুমদাংবনা কৈনাবা, লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়বদু চপ চানা থোক্লরে। থা অসিগী ২০ দা খুরাই অহোংপুংদা থোকখিবা থৌদোক ঐখোয়গী য়েলহৌমীদা খূৎ থারক্লবা অমসুং উরিপোক গোপালজি লৈরক্তা ভারাদা লৈবা নন মণিপুর অমনা ঐখোয়গী য়েলহৌমী ইমা অমদা খৌরি মেৎতুনা হাৎকে তৌরম্বগী ৱাথোক লৈখ্রবনি। নন মণিপুরীশিংনা তৌবা ক্রাইম ময়াম অমা পনবা লোইবা নাইবা নত্তে। নন মণিপুরগী ৯ না রিমস রোদতা লৈবা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদতসু দুকান ফক্কায়রগা লুপা লাখ ৫ হুখিবা অদু সী সী টি ভি কেমেরাদা ময়েক শেংনা উখ্রবনি। মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ঙাক্তনি। মখোয়শিং অদুনা করম হায়না তৌখ্রবা। পাল্লিবা লৈঙাক অসি লৈবাক্কী মপী মপানি, তৌগে খনবদা তৌবা ঙম্বনি। মরম অদুনা থম্মোয় শেংনা লৈবাক্কী ওইবা থবক খুদিংমক তৌগে খন্না তৌবীয়ু। তুংগী খল্লগদি পুন্নমক মায় পাক্কনি। লৈবাক্কী ওইবা থবক খুদিংমক য়েলহৌমী অমদি ইরমদম অসিবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবীশিংদা ঈকাই খুম্নবা উৎলক্লি।

# ঙমখৈগী য়েৎনবা লোইশিনবীয়ু : লূপ

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিগী নোংপোক থংবা ঙমখৈ ওইরিবা কোথা খুনৌদা য়ুংলিবা ইন্দো ম্যান্মার ইন্টরনেসনল পিল্লর ৮১ অসি হান্নদগী হৌনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং খানবগী লাইন য়ুংলকপা ওইনা অনৌবা পিল্লর অমা কোথা খুনৌদা য়ুংলম্লে। কেস লৈনরিবা লম হেনজিল্লি হায়নরিবা বোর্দর পিল্লর ৮১গী লাইন চিংলগা নৌনা য়ুংলম্বা পিল্লর অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না অপাহৌ হৈমেয়োন হুইফা হুইথাবা লূপ কাইরেনথাবীনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরি ওইনাম পুলেম্বা খুমন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, নৌনা য়ুংলিবা পিল্লর অসি য়ুংলমদাইদা খুনগী মীশিংদা অতম্নমা তাক্লমদে। মসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী অশোয়বনি অমসুং লৈবাক অসিবু করিসু খন্দবগী থৌওংনি। অসিগুমবা থৌওং অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না খুন অসিগী খুঞ্জাশিং অমদি অহলশিংনা পূন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি।

খুল অসিদা লৈরিবা অশেংবা লাইফমলেন ওইরিবা ইবেন্ধৌ ঙায়োকফাবীগী খুভমলেন অসিবুসু লম খোপচিনবদা য়াওখ্রে। মসিগী মথক্তা ইবেন্ধৌ ঙায়োকফাবী হুমলেনলৈমা তরংঅচিবীগী উজাউ উরেল মখোংগী অকোয়বদা ম্যান্মার হায়না থাজিল্লম্লে অমসুং মখোয়গী ফিরালসু য়েপশিল্লম্লে। লোয়ননা লূপ অসিনা য়ুংবা সলাই তরেৎকী ফিরাল অমসুং লাইনিংথৌ অশিবগী পাফলসু লৌথোক্লম্লে। করিগীদমক অহকপা লাইফম অসি থওইবিদ্রিবনো হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লাইফম অসিগী মশা অমা ওইরিবা নোংপোক অচিবা লাইনিংথৌ খুভমসু নক্লা লৈমিন্নরিবনি। অসিগুমবা অশোয়বা খোঙথাং কয়া অসি ইরমদম অসিবু লৈখা তানা মাঙহনগদৌরিবা অসিদগী লৈবাক্কী মপি মপা ওইরিবশিংমা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

# অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচএনএস) :
উরিপোক সোরবোন থিঙেলদা লৈবী মুতুম ওংবী ইবেমহলনা থা অসিগী ২০ গী অয়ুক্তা লৈখিদবদা ওল মণিপুর মুসলিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী হেদ কার্টর অমদি য়ুনিটশিংগী থৌমীশিংনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না এ এম এম দি সীগী সেক্রেটরি ঐচ আর দি নোংজাইময়ুম অনিশানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুরদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট ১৯৫৮ লৌথোক্লবা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা অমদি কুমজা ২০০৮ কী জুলাই থাদা কংলাগী গেটতা চথুখিবা ইমাশিংগী খোঙজংদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবী অমদি কাদা লীংখৎপদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবী অসিনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

KHANGHANJABA

**A Reputed Micro Finance** Amana paikhatchagadaba Sheme kharagii Agent oibiningba meeoi khara pamjei. Khudongchaba kayasu leigadaba Agent sing ashi oibiningba tongan tonganba mapham singgi meeoi singna makhada pijariba eikhoigi office tagi akuppa marol May gi tang 25, 2018 faobagi manungda khangbiba yagani.

***Office timing :*** 10:00 am to 4:30 pm.

*Sd/-* BRANCH MANAGER
Lu-wang International
Khuyathong Imphal
Contact Nos. 9366086537 / 9366031754

*HL-B/4644/24&25*

SMART HOSTEL

SINGJAMEI SUPER MARKET

*(Seperated Boys & Girls)*

ADMISSION OPEN

(CLASS VI TO XII & COLLEGE)

FACILITIES
- 24/7 Power Supply
- 24/7 Hygienic Water
- Homely Care Food
- Auto, Magic, Bus Parking Front of Hostel
- Spoken English & Coaching All Subjects
- Urgent Medical Facilities Front of Hostel
- Van Service available.

FREE ADMISSION
NO DEPOSITED
₹ 3500 p/m only

40 BEDS ONLY

*HL-P/1303/15/5-12/7 (Alt.)* Contact No. ☎ 8730999192

ওইনাম শাগৈ ট্রষ্ট, ইম্ফাল

লাক্লিবা তাং ২৭/০৫/২০১৮ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ওইনাম শওম্বুং (near Imphal Barrage) ওইনাম পোক্লেন পোকপা, পোক্লেন পোকপী অনীগী খুভমদা লাইগী শঙলেন শাবা লোইশিন্নবা মীফম অমা পাঙথোকচগনি। নুমিৎ অসিদা মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মপান্দা লৈখিবা শাগৈচা খুদিংমক্না লাকপীদুনা মীফম অসিবু য়াওবীয়ু হায়না ওইনাম শাগৈ ট্রষ্টকী মায়কৈদগী হায়জরি।

*পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ*

১। ওইনাম প্রেমকুমার সিংহ, সেক্রেটরি (OST) থৌবাল অথোকপম খুনৌ, ৮৯৭৪২৮৯৫২
২। ওইনাম ব্রোজেন, হৈরাংগোইথোং মাইবম লৈকাই, ৮৭৩১৯২৯৩৩৫
৩। ওইনাম প্রবিন, ওইনাম থিঙেন, ৭০০৫০৯৬৬৬৭
৪। ওইনাম বিনন্তা, ময়াই ইম্ফাল, ৭০৮৫১৯৪৫৫৩
৫। ওইনাম ডিনা, ওইনাম শওম্বুং, ৯৮৫৬৪২২৯৪৯৭
৬। ওইনাম স্কোট, কোঞ্জেং লৈকাই, ৭০০৫০২৯৪০১
৭। ওইনাম প্রেমকুমার, থাঙ্গা ওইনাম, ৭০০৫৮১৬৬৫৮

*HL-P/1375/23&25*



SARASWATI COACHING INSTITUTE

*Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal*

ADMISSION OPEN

CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE (2nd Batch)

*Starting of Class : 14th May, 2018*

CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE

*Starting of Class : 25th June, 2018*

Managing Director

*We nourish your future*

*HL-B/4599/3-31 (Alt.)*

TREATED SUCCESSFULLY

মায় পাক্লা লায়েংজরি



PH. ALAM

**PILES :** খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

**GASTRIC :** চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

**STONE CASE :** পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

**SINUS :** নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

**LIVER, JAUNDICE, SUGAR :** লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

**BODY PAIN (PARALYSIS) :** খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

*HL-P/1300/15/5-8/6*

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

*HL-B/4584/26/4-26/5*

BIOPHONE

EDUCATIONAL SERVICES

Wangkhei Ayangpalli Road (Laishram Leikai), Imphal

ADMISSION OPENS

ASCENT PMT COURSE FOR NEET, 2019

PHYSICS. CHEMISTRY. BOTANY. ZOOLOGY.

Form Available from 21/05/2018
Class begins from 21/06/2018

Do not come for the sake of Tuition Culture. Come to Learn.

IF YOU WANT TO BE A DOCTOR, LET US HELP YOU.

FOR DETAILS, VISIT BIOPHONE (SEARCH IN GOOGLE MAP)
WANGKHEI AYANGPALLI ROAD (LAISHRAM LEIKAI), NEAR EDEN PUBLIC SCHOOL

*HL-B/4642/23/5-6/6*